## অনৌবা কোভিদ ভেরিএন্ট নেপালদা থেংনরে

কাথমান্দু, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী) :
যু কেদা হৌখিবা চহীগী অথেংবা শরুক্তা অহানবা ওইনা থেংনখিবা অনৌবা কোরোনা ভাইরস ভেরিএন্টকী কেসশিং নেপালদা থেংনরে হায়না লৈবাক অসিগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

হোং কোংদা জিন সিক্বেন্সিং তৌনবা সেম্পল থাখিবা মীওই অহুম ম্যুটেটেদ ভেরিএন্ট অদু পল্লক্লে হায়বসি হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা কনফার্ম তৌখি। মশাগী চহী ২৮ শুরবী নুপী অমা অমদি চহী ৩২ অমসুং ৬৭ কী লেঙ্গাশিং ওইবা নুপা অনী অনৌবা ভেরিএন্ট অদুনা শোকহল্লমখি।

নুপী অদুগা লোয়ননা চহী ৩২ লেঙ্গাগী নুপা অদু হৌজিক টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরে অমসুং চহী ৬৭ শুরবা নুপা অদু মখা তানা পোজিটিভ ওইরি অমসুং লায়ওং উত্তে হায়না হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

হন্দক্তা যু কেদগী নেপালদা হল্লকখিবা মীওই তরুক টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখিবনি অমসুং সেম্পল অহুম জিন সিক্বেন্সিংগীদমক থাখিবনি।


নেপালদা অনৌবা কোভিদ ভেরিএন্ট থেংনরে হায়বসি কনফার্ম তৌখ্রবা মতুংদা মীয়াম্না ভেক্সিন ফঙদ্রিফাওবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎনবা গৱর্ণমেন্টনা আপীল তৌখ্রে। নেপালগী কনফার্ম তৌরবা কোরোনা ভাইরস কেস মশীং ২৬৭,৩২২ শুরে অমসুং ভাইরস অসিনা শিহনবা মীশীংনা ১,৯৫৯ শুরে।

## মীখল য়েথোক্লবা প্রপোজ তৌখ্রে

বাঘদাদ, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী) :
খরা ঙন্না চহী অসিগী জুন ৬ তা পাঙথোক্লকবা লেপ্লম্বা ইরাককী পার্লিয়ামেন্টরি মীখল নবেম্বর ১৬ তা য়েথোক্লবা ইরাকি ইন্দিপেন্দেন্ট হায় ইলেক্টরেল কম্মিসন (আই ঐচ ঈ সী) না প্রপোজ তৌখ্রে।

আই ঐচ ঈ সীগী বোর্দ ওফ কম্মিস্নর্সকী চ্যেরমেন জালিল অদনান খলিফনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, যু এনগা তানরগা ইলেক্টরেল প্রোসেসকী টাইমটেবল রিভিয়ু তৌরবা মতুংদা প্রপোজেল অদু পীখিবনি হায়না ইরাকি ন্যুজ এজেন্সি (আই এন এ) না ফোঙদোকখি। আই ঐচ ঈ সীনা প্রাইম মিনিষ্টর মুষ্টাফা অল-কাদিমিদা থাখিবা ওফিসেল লেট্টর অমসু এ আই এন এনা ফোঙখি। মীখল য়েথোক্লিবদু কোলিসন মশীং য়াম্না রেজিষ্টর তৌদবা অহেনবা কেন্দিদেটশিং অমসুং কোলিসনশিং রেজিষ্টর তৌনবগী মতম হেন্না পীনবা অমদি যু এনগী এক্সপর্টশিং অমসুং ওবজার্ভরশিংবু মীখলগী প্রোসেস মোনিটর তৌহন্নবনি হায়না খলাফনা ফোঙদোকখি।

# ক্রেম্লিনগী ক্রিটিক নভালনি থাদোক্লবা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা রশিয়াদা তকশিনখ্রে



মোস্কো, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী) :
পোইজনিং কেসতা হৌখিবা কালেন্দদগী জর্মনিদা লায়েংলকখিবা ক্রিম্লিনগী ক্রিটিক অলেক্সি নভালনি অহানবা ওইনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ময়ুমদা হল্লকপদা মোস্কোগী এয়রপোর্ট অমদা দিটেন তৌখ্রে। অমরোমদা মহাকপু খুদক্তা থাদোক্লবা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা মথংগী নুমিত্তা রশিয়াদা তকশিনখ্রে।

নাভালনি থাদোকউ হায়বা ৱাফম রশিয়ানা য়াখিদবগা লোয়ননা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা মাগী এফ্যের্স য়েংশিনবগী মহুত্তা মশাগী মথৌদাংদা ওইনা মায় ওনশিন্নবা হায়খ্রে। মহাক মোস্কোগী পুলিস ষ্টেসন অমদা মখা তানা থল্লি।

ইন্টরনেস্নেল লো ঈকায়খুম্ন বীয়ু, সোভরেন ষ্টেটশিংগী নেস্নেল লেজিসলেসনদা অয়েৎ অপন পীনবা হোৎনগনু অমসুং নরৈবাক্কী প্রোব্লেমশিং য়েংশিল্লু হায়না রশিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন মারিয়া জখারোভানা ফেসবুকতা ইখি।

নাভালনিগী কেস অসিনা রশিয়াগী মায়োক্তা অনৌবা অথিংবশিং থমহল্লকপা য়াই। মরু ওইনা রশিয়াদগী জর্মনি ফাওবা নেচরেল গ্যাস পাইপ লাইন শেম শাবগী দোল্লর মিল্লিয়ন ১১.৬ গী প্রোজেক্ট অথিংবা থল্লকপা য়াই। ব্লোক অসিনা অসিগুম্বা অথিংবশিং থুনা থম্বদু পাম্মী হায়না ঈ য়ুগী লৈবাক কয়ানা হায়রি।

ওপোজিসন পোলিটিসিয়ন অসিবু মাস্ক উপ্পা পুলিস ওফিসর মরিনা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা পাসপোর্ট কন্ট্রোলদা দিটেন তৌখি। জর্মন মিলিটরিনা চথখিবা টেষ্টশিংনা পোইজনিংগী কেসনি হায়না উৎখ্রবা মতুং অহানবা ওইনা ময়ুম লৈবাক্তা হল্লকখিবা নভালনি নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা মোস্কোগী এয়রপোর্ট অমদা থুংখিবনি।

মহাক সস্পেন্দেদ প্রিজন টর্ম অমগী কাংলোন থুগাইবগীদমক্তা ফাজিনবনি হায়না রশিয়াগী প্রিজন সর্ভিসনা ফোঙদোকখি। অমরোমদা নভালনিনদি মহাকপু শেমজিন শাজিন্দুনা মরাল শীজিনবনি হায়রি। মহাক জন্যুৱারী ২৯ দা কোর্টনা হিয়ারিং তৌদ্রিফাওবা ফাজিন্দুনা থমগনি হায়না পল্লদুনা প্রিজন সর্ভিসনা হায়, হিয়ারিং অদুদা কোর্টনা সস্পেন্দেদ সেন্টেন্স অদু থাঙ্গৈশেংবা চহী ৩.৫ গী জেলগী টর্ম ওন্থোক্তদ্রা হায়বদু লেপকনি।

ওপোজিসন পোলিটিসিয়ন নভালনি খুদক্তা থাদোক্লবা জর্মনি, বৃটেন, ফ্রান্স অমসুং ইটালিনা, মোস্কোদা তকশিনখি। রশিয়াদা অনৌবা অথিংবশিং থুনা থম্নবা ঈ য়ুদা তকশিল্লগনি হায়না লিথ্যুএনিয়ানা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখি। চেক ফোরেন মিনিষ্টর টোমাস পেত্রিকনসু অথিংবা থম্নবা ব্লোক অদুবু খন্নহনবা পাম্মী হায়খি।

# সুদানগী ৱেষ্ট দারফুর ষ্টেট কেপিটেলদা হাৎনা শুনবদা মীওই ৮৩ শিরে

জুবা, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী) :
সুদানগী ৱেষ্ট দারফুর ষ্টেট কেপিটেল সিটি এল জেনৈনাদা চথখিবা শাথিরবা এটেক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ৮৩ শিখ্রে অমসুং অতৈ মীওই ১৬০ অশোক অপন নংখ্রে।



ৱেষ্ট দারফুর ষ্টেটকী ডোক্টরস কম্মিটিগী ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা হায়, জেনৈনা সিটিদা থাংজ নুমিত্তগী চথরকখিবা হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিংদা শিখিবা মী মশীং ৮৩ শুরে অমসুং অশোকপশিংগী মশীংনা ১৬০ শুরে হায়খি। চৈরকসিদা সিটিজনশিং অমসুং মরু ওইবা য়ুটিলিটিশিং ঙাক শেন্নবগীদমক্তা ৱেষ্ট দারফুরদা অহেনবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং থাজিন্নবা সুদানগী সিক্যুরিটি এন্দ দিফেন্স কাউন্সিলনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ৱারেপ লৌখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা সুদানগী সোভরেন কাউন্সিলগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, কাউন্সিলনা থাংজ নুমিৎকী এল জেনৈনদা থোকখিবা থৌদোকশিং অদুগী মতাংদা খন্ননবগী ইমর্জেন্সি মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদু সোভরেন কাউন্সিলগী চ্যেরমেন অব্দুল ফাটা অল বুরহাননা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবনি।

সোভরেন কাউন্সিল, কেবিনেট অমসুং সিক্যুরিটি বোদিশিংগী মীহুৎশিং য়াওবা কাউন্সিলগী মীফম অদুনা হায়র কম্মিটি অমা শেমদুনা এল জেনৈনাগী থৌদোকশিং থিজিন্নবা, প্রোব্লেম অদুগী হৌরকফমশিং খঙদোক্লবা অমসুং মদুগী রিকমেন্দেসনশিং সবমিট তৌনবা লোয়ননা লোগী মায়োক্তা লৈবশিং ৱায়েল চথনবা ৱারেপ লৌখি।

হাৎনা শুনবগী থৌদোকশিং অদুগী য়েংদুনা থাংজ নুমিত্তা ৱেষ্ট দারফুরগী লোকেল ওথোরিটিশিংনা কর্ফিউ থমখি। এল জেনৈনাগী সিটিজন অনী খুৎ থোক্লবদা মীওই অমা শিখিবদগী হৌখিবা হাৎন শুনবগী থৌদোকশিং অদু লেপহন্নবা ৱারেপ লৌরে হায়না ৱেষ্ট দারফুর ষ্টেটকী গভর্ণর মোহম্মদ অব্দালা অল দোমানা ফোঙদোকখি। ৱেষ্ট দারফুরদা হাৎন শুনবগী ঈরাং কনখৎলক্লিবদুদা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সেক্রেটরি জেনরেলনা নুংনাংবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লাল লেপহন্দুনা মীচম মীয়াম ঙাক শেন্নবগী থৌরাংশিং লৌখৎনবা সুদানিজ ওথোরিটিশিংদা আপীল তৌখ্রে।

কাঙলুপ মশেল খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং অদুদা য়ুম কয়া মৈ থাখিবগা লোয়ননা মীওই ৫০,০০০ রোম ময়ুম মকৈ লৈহনখিদ্রে। গুটেরেসনা হাৎন শুনবদা লৈখিদবশিং অদুগী ইমুং মনুংশিংনা নংহৌরিবা অৱাবদা শরুক য়ারি অমসুং অশোকপশিং থুনা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়নসু ফোঙদোকখি। যু এন এ এম আই দিনা কুমজা ২০২০ লোইখিবদা লমদম অদুদা ওপরেট তৌবা লেপখ্রবা মতুং চয়োল অনীরোম লৈরগা হাৎন শুনবগী ঈরাং অদু থোক্লকখিবনি।

# অফঘান-টালিবান নিগোসিএটরশিংগী মীফম দোহাদা অমুক হৌখ্রে



কাবুল, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী) :
অফঘান গভর্ণমেন্ট অমসুং টালিবান মিলিটেন্ট গ্রুপকী মীহুৎশিংনা দোহাদা মীফম মখা চথুদুনা অনীশুবা রাউন্দগী পিছ টোককী এজেন্দা খন্নবা হৌখ্রে হায়না মকোক থোংবা অফঘান ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মীফম অদু নুমিৎ কয়ানি থিন্থরবা মতুংদা পাঙথোকপনি হায়না অফঘান গভর্ণমেন্টগী নিগোসিএটর নাদর নাদেরিনা ফোঙদোকখি। নাকল অনীনা অনীশুবা রাউন্দগী ৱারী শানবা হৌখিবা মতুং নুমিৎ মাপন্নিরোমগী মনুংদা মীফম মরি ৱার্কিং গ্রুপ লেভেলদা পাঙথোকখ্রে।

মীফমশিংদুগী মনুংদা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা পাঙথোকখিবা মীফম য়াওরি। তৌইগুম্বসুং নাকল অনীনা হৌনবী মতুং ইন্না, ৱারী শানবগী লম্বী ফাৎনবগী ফাইনেল এজেন্দা লেপ্পা ঙমদ্রি।

টোলো ন্যুজগী রিপোর্টনা হায়, চয়োল অহুম লেপ্পুরবা মতুং জান্যুৱারী ৫ দগী হৌখিবা অনীশুবা রাউন্দগী ৱারী শানবা অদুদা মতম শাংলক্লবা লালগী চৈথেং নংলিবা লৈবাক অদুদা হাৎন শুনবা হন্থহনবা অমসুং সিজফায়র অমা চৎনহনবদা মিৎয়েং থমগনি।

নাকল অনীনা ৱারী শানবগী প্রোসিজরেল রুলশিংগী মতাংদা য়ানবা পুরকপগা লোয়ননা পিছ নিগোসিএসন অদু হৌখিবা থাদা মরু ওইবা তাঙ্কক অমা হৌরকখি। ৱারী শানবদু কুমজা ২০২০ গী সেপ্তেম্বরদা হৌখিবনি। পিছ টোক অদুগী এজেন্দাগী লিষ্টশিং এক্সচেঞ্জ তৌনরে হায়নসু মখোয়না ফোঙদোকখি।

টোলো ন্যুজগী মতুং ইন্না অফঘান গভর্ণমেন্টগী টিমগী দিমান্দশিংগী দ্রাফট অদুদা সিজফায়র, নেস্নেল সোভরেন্টি কায়দনা থম্বা, মীদিয়া ফ্রীদম অমসুং লৈবাক অদুদা মপানগী ফাইটরশিংগী থবক থৌওংশিং থিংবা য়াওরি। অমরোমদা, টালিবানগী দিমান্দশিং অদুদা ইস্লামিক গভর্ণমেন্টগী ষ্ট্রক্টচর লৈহনবা, ইস্লামিক কাউন্সিল অমা লিংবা, ইস্লামিক প্রিন্সিপলশিংদা যুম্ফম ওইরগা নুপীশিং অমসুং সিটিজনশিংগী রাইটশিং শোইহন্দবা য়াওরি।

# ইথিওপিয়ন রেফ্যুজি ৫৮,০০০ হেন্না সুদানদা চেনখ্রে: য়ু এন



অদ্দিস অবাবা, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী) :
ইথিওপিয়াগী অৱাং ইথং থংবা টিগ্রে রিজনদা লাল শোক্লবদগী লৈবাক অদুগী রেফ্যুজি ৫৮,০০০ হেন্না য়ুমথংনরিবা সুদানদা লাঞ্জেন্নখ্রে হায়না যু এন রেফ্যুজি এজেন্সি (যু এন ঐচ সী আর) না ফোঙদোকখ্রে।

যু এন এজেন্সি অসিগী ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, কুমজা ২০২০ গী নবেম্বরদা টিগ্রে রিজনদা ফেদরেল অমদি রিজনেল ফোর্সশিংগী মরক্তা মিলিটরিগী মুক্লবা হৌখিবদগী সুদানদা ইথিওপিয়ন রেফ্যুজি ৫৮,৬১২ রেজিষ্টর তৌখ্রে।

যু এন ঐচ সী আরগী মতুং ইন্না, হকশেল অমসুং সিক্যুরিটিগী রিস্ক হন্থনবগীদমক্তা যু এনগী বোদি অসিনা রেফ্যুজিশিংবু বোর্দরদগী খরা লাপ্পা লৈবা কেম্পশিংদা থম্নবা পার্টনরশিংগা থবক তৌমিন্নরি। হৌজিক ফাওবদা রেফ্যুজি ২৬,৮৬৪ দেজিগনেটেদ রেফ্যুজি কেম্পশিংদা থল্লে।

হৌজিক ইথিওপিয়ন গভর্ণমেন্টনা সাউথ সুদান, সোমালিয়া ইরিত্রিয়া অমসুং সুদানদগী লাকপা রেফ্যুজি মিল্লিয়ন অমরোম প্রোটেক্সন পীরি। রেফ্যুজি অদু কেম্প অমসুং নন কেম্প ২৬ তা থল্লিবনি।

কুমজা ২০২০ গী নবেম্বরদগী ইথিওপিয়াগী গভর্ণমেন্টনা টিগ্রে পিপলস লিবরেসন ফ্রন্ট (টি পি এল এফ) কী মায়োক্তা মিলিটরি ওপরেসনশিং চথুদুনা লাক্লিবনি।

টিগ্রেগী লৈঙাক পায়রকখিবা টি পি এল এফনা ইথিওপিয়ন দিফেন্স ফোর্সেসকী কম্মান্দ বেজদা এটেক তৌবদগী ফেদরেল গভর্ণমেন্টনা টিগ্রেদা লান্মী থাজিনবগা লোয়ননা এয়রষ্ট্রাইক কয়া চথখিবনি। মমাংদা ইথিওপিয়াগী রুলিং প্রোস্পেরিটি পার্টি অমসুং টি পি এল এফগী মরক্তা অমনা অমবু লৈবাক অদুবু কাং খোং চাইহন্নবা হোৎনৈ হায়না মরাল শিনখি।

কুমজা ২০২০ গী সেপ্তেম্বরদা টিগ্রেগী রিজনেল গভর্ণমেন্টনা রিজনেল মীখলদা অতৈগা চৎমিন্নদনবা ৱারেপ লৌখিবদগী নাকল অনীগী মরক্তা য়ানদবা হেনগৎলকখি। রিজনেল মীখল অদু কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইদুনা ইথিওপিয়াগী পার্লিয়ামেন্টনা য়েথোকখিবনি।

## ইজরেলগী জেটশিংনা গজাদা লৈবা হামাস সাইটশিংদা এটেক তৌখ্রে

টেল অভিভ, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী) :
ইজরেলগী ৱারপ্লেনশিংনা গজা ষ্ট্রিপতা লৈবা হমাসকী সাইটশিংদা এটেক চথখ্রে হায়না ইজরেল মিলিটরিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

লাঙ্গৈই চন্দুনা লৈবা পলেষ্টিনিয়ন এনক্লেভ অদুদগী রোকেট অনী কাপ্পকখিবা মতুংদা ইজরেলি মিলিটরিনা এয়র ষ্ট্রাইকশিং অদু চথখিবনি। ইজরেলি মিলিটরি স্পোক্সপার্সন অমনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি মদুদি জেটশিংনা টন্নেলশিং য়াওনা হামাসকী মিলিটরি তার্গেটশিংদা ষ্ট্রাইক তৌখি।

ইজরেল্লি মিলিটরিগী মতুং ইন্না গজা ষ্ট্রিপতগী কাপ্পকখিবা রোকেট অনী অদু ইজরেল য়ৌদ্রিঙৈদা সমুদ্রদা তাশিনখি। নাকল অনীমক্তা অশোক অপন থোকপগী পাউ ফঙখিদে। গজদা লৈবা করম্বা গ্রুপনা রোকেটশিং অদু কাপখিবনো হায়বগী খুদক্তা শেংনা খঙবা ঙমখিদবা ওইরবসু গজদা থোক্লবা অমসুং মসিদগী চথরকপা থবক খুদিংমক হামাসনা তৌবনি হায়না ইজরেলনা লৌই।

ইজরেলগী মীচমশিংগী মায়োক্তা অকি তুজুং পোকহনবগী অফ ফত্তশিং হমাসনা মায়োক্লগদবনি হায়না ইজরেলনা ৱার্নিং তৌখি। ইজরেলি সিভিলিয়নশিং নত্রগা সোভরেন্টিদা অকায়বা পীনবা হোৎনরিবশিংগী মায়োক্তা ওপরেসন চথনবা শেম শারে হায়না ইজরেল অর্মীনা ফোঙদোকখি। গজা অমসুং ইজরেলদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক লৈরিঙৈ হৌখিবা থা খরা অসিদা গজাদগী মরক মরক্তা রোকেট অমসুং নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোকশিং হন্থখি। ইজরেলনা এস থুগাইদুনা গজাদা কুমজা ২০০৭ তগী থল্লকখিবা ব্লোকেদ কোমথোকপগী ৱাফম ঙাক্তে হায়না হমাসনা ক্লেম তৌরি।

## *সিঙ্গাপোরনা থৌবু ওইদুনা সাঙ্গ্রি-লা দাইলোগ সম্মিট পাঙথোক্লগনি*

*সিঙ্গাপোর, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী) :*
*কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইদুনা কুমজা ২০২০ দা কেন্সেল তৌখিবা সাঙ্গ্রি-লা দাইলোগ এসিয়ন সিক্যুরিটি সম্মিট সিঙ্গাপোরনা থৌবু ওইদুনা চহী অসিদা পাঙথোক্লগনি হায়না ওর্গনাইজরশিং অমসুং সিটি ষ্টেটকী গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে। চহী অসিগী ইভেন্ট অদু জুন ৪-৬ ফাওবা পাঙথোক্কনি।*

*ওর্গনাইজর ইন্টরনেস্নেল ইন্সটিট্যুট ফোর ষ্ট্রেটেজিক ষ্টদিজগী স্পোক্সমেননা সম্মিট অদুগী ফোরমেট নত্রগা মদুদা শরুক য়াগদৌরিবশিংগী মশীংগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকউ য়াখিদে।*

*হেন্না ইফেক্টিভ ওইবা সেফটিগী থৌরাংশিং চৎনহনবা অমসুং ভেক্সিনেসনগী দ্রাইভ লেপ্তুনা চথবগা লোয়ননা সাঙ্গ্রি-লা দাইলোগ চহী অসিদগী অমুক হৌরগনি হায়না সিঙ্গাপোরগী দিফেন্স মিনিষ্টর এন জি এঙ হেননা সোসল মীদিয়াদা পোষ্ট অমদা ফোঙদোকখি। কুমজা ২০০২ দা লোঞ্চ তৌখিবদগী ইভেন্ট অদুদা মালেমগী মকোক থোংবা মিলিটরি ওফিসলশিং, দিপ্লোমেটশিং অমসুং খুৎলাই শাবশিংগী পুক্রিং চিংশিনখি।*

*সম্মিট অদুগী মাংওইননা দিফেন্স অমসুং সিক্যুরিটিগী ইশ্যুশিং খন্নবগী প্রিলিমিন্নরি মীফম অমা দাউনটাউন হোটেল অমদা লোকেল দেলিগেটশিংনা শরুক য়াদুনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা হৌখি। অতৈনা মীফম অদুদা ভারচ্যুএল ওইনা শরুক য়াখি। সিঙ্গাপোরনা মেগী অথেংবা শরুক্তা ৱর্ল্ড ইকনমিক ফোরমগী চহীগী সম্মিটকী থৌবু ওইবা ঙম্নবসু হোৎনরি।*

## মালেসিয়াদা ফাজিন্দুনা থল্লিবা পি আই এ প্লেনগী ক্রু হল্লক্লগনি

ইস্লামাবাদ, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী) :
এয়রক্রাফট লিজগী পীফম থোকপা শেনফম পীথোক্তবগীদমক্তা মালেসিয়াগী ওথোরিটিশিংনা ফাজিন্দুনা থল্লকখিবা পাকিস্থান ইন্টরনেস্নেল এয়রলাইন্সকী ফ্লাইট অমগী ক্রু মেম্বর ১৮ নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইস্লামাবাদতা হল্লক্লগনি হায়না মীদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।

এয়রক্রাফট অদু মালেসিয়াগী লোকেল কোর্ট অমগী ওর্দরদা থা অসিগী ১৫ দা ক্বালা লুম্পুর এয়রপোর্টতা ফাজিনখিবনি। পাকিস্থানি ফ্লেগ করিয়র পি আই এনা ফাজিল্লিবা বোইং ৭৭৭ অদু য়াওনা এয়রক্রাফট অনী কুমজা ২০১৫ দা ভিয়েটনামিস কম্পনি অমদগী লিজ তৌখি।

দোন ন্যুজ রিপোর্টনা পি আই এগী স্পোক্সমেন অমা পল্লদুনা ফোঙদোকখিবদা ফাজিল্লিবা প্লেন অদুগী পেসেঞ্জর ১৭২ মক ফ্লাইট অনীদা ইস্লামাবাদতা য়ৌরক্লে। স্পোক্সমেন অদুগী মতুং ইন্না, পেসেঞ্জর ১১৮ এমিরেটস এয়রলাইন্সকী ফ্লাইট অমদা থুংলখি অমসুং অৱাৎপা পেসেঞ্জর ৫৪ না কটার এয়রৱেজগী ফ্লাইট অমদা ইস্লামাবাদ য়ৌরকখি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাকিস্থান কেপিটেলদা য়ৌরক্কদৌরিবা ক্রু মেম্বর ১২ অদুদা পাইলোট অনী য়াওরি। পাকিস্থানগী এভিয়েসন দিভিজনগী সিনিয়র জোইন্ট সেক্রেটরি অব্দুল সাত্তর খোখারনা লুচিংবা ৱার্কিং গ্রুপকী মীফম অমা লৈবাক অসিগী এভিয়েসন দিভিজননা কৌদুনা ওইরক্লিবা ফীভম অদু রিভিউ তৌখ্রে।

## ন্যুক্লিয়র দিল কন্নবা য়ুরোপনা তৌফম থোকপশিং তৌখিদে: ইরান

টেহরান, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী) :
কুমজা ২০১৫ গী ন্যুক্লিয়র দিলদা খুৎয়েক পীরিবা য়ুরোপকী লৈবাক অহুম হায়বদি যু কে, ফ্রান্স অমসুং জর্মনিনা ওফিসল ওইনা জেইন্ট কম্প্রিহেন্সিভ প্লান ওফ এক্সন (জে সী পি ও এ) হায়না খঙনবা এগ্রিমেন্ট অদুবু কন্নবগী থবক অমত্তা তৌখিদে হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর মেহেম্মদ জভাদ জরিফনা ফোঙদোকখ্রে।

জে সী পি ও এগী মখাদা মখোয়গী তৌফম থোকপশিং তৌবদা ও এফ এ সী ফঙ্কস্নরিশিংগী সিগনেচরগী মপান তাংবা য়ুরোপিয়ন লৈবাক অহুমগী লুচিংবশিংনা জে সী পি ও এ কাইহন্দনা থম্নবা করিমত্তা তৌখিদে হায়না জরিফনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ত্বিটরদা ইখি।

যু এস দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রেজরিগী ওফিস ওফ ফোরেন এসেটস কন্ট্রোল (ও এফ এ সী) না অমেরিকাগী ফোরেন পোলিসি অমসুং নেস্নেল সিক্যুরিটিগী পান্দমশিংদা যুম্ফম ওইরগা হন্দোক্লবা মপান লৈবাকশিংগী মায়োক্তা শেল থুম অমদি লল্লোন ইতিক্কী অথিংবশিং থম্মী।

ইরাননা য়ুরেনিয়মদা বেজ তৌবা ফ্যুএল পুথোক্লবা থৌরাং তৌরিবদু মিলিটরিগা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়না য়ুরোপকী লৈবাক অহুমসিনা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা জরিফনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। ইরাননা জে সী পি ও এ হিংহনবনি য়ুরোপিয়ন লৈবাকশিংনা নত্তে হায়নসু জরিফনা ফোঙদোকখি।

# থোকপা য়াদনা লৈরকপা মাইনরশিংনা রেস্ক্যুয়রশিংদা নোট থারক্লে



বৈজিং, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী) :
চাইনাগী সান্দোং প্রোভিন্সতা লৈবা মাইন অমদা পোকখায়খ্রবা মতুংদা থোক্লকপা য়াদনা মনুংদা লৈখিবা মাইনরশিংনা রেস্ক্যুয়রশিংদা নোট অমা থাদুনা মখাদা লৈরিবা ফীভম খঙহনখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিত্তা থারকখিবা নোট অদুনা হায়, অশোকপা মরি য়াওনা ৱার্কর ১২ হিংলি। অতৈ ৱার্কর ১০ গী ফীভমদি খঙবা ঙমদে। ঐখোয় য়াম্না চোকথরে অমসুং চাকখাওগী হীদাক, পেনকিল্লরশিং, মেদিকেল টেপ, এক্টর্নেল এন্টি-ইনফ্লেম্মেটরি গ্রুপশিং য়াম্না থুনা মথৌ তারে অমদি মীওই অহুম ব্লদ প্রেসর ৱাংলে হায়না নোট অদুদা মাইনরশিং অদুনা ফোঙদোরকখি।

মাইনরশিং লাংদা থুবগুম্না লৈরিবা মফমদুদা মৈখু য়াম্না থোকপগা লোয়ননা লৈনুংগী ঈশিং মরাং কায়না লৈ হায়না নোট অদুগী খুথাংদা মাইনরশিংনা ৱার্নিং তৌখি। মী কনবগী থবক মখা চথখিগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়নসু নোট অদুদা পনখি।

থা অসিগী ১০ দা য়ান্টাই সিটিদা লৈবা গোল্ড মাইনদা পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। মদু মাইন অদুগী মচিনদগী মিটর ২৪০ রোম লুবা মফমদা থোকখিবনি।

হান্নগী মাইন অদুগী মিটর ৬০০ হেন্না লুবা মফম অমদা ৱার্কর ২২ থবক শুখি। রেস্ক্যুয়রশিংনা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিলদা চেন্নেল অমা হুৎখি। মখোয়না দ্রিল্লিং পাইপ্তুদা মখোল থোক্লবা য়ৈবদা মদুগী পাউখুম ওইনা মনুংলোমদগীসু য়ৈরকপগী মখোল তাখি। য়োৎকী থৌরি শীজিন্নদুনা মখাদা লৈরিবা মাইনরশিংদুদা ন্যুট্রিএন্ট সোল্যুসনশিং পীরম্বগী মওং থেংনৈ হায়না রেস্ক্যুয়রশিংনা ফোঙদোকখি।

# সেমসংগী লী থা ৩০ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে

সিওল, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী) :
সাউথ কোরিয়াগী কোর্ট অমনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা সেমসং ইলেক্ট্রোনিক্সকী ভাইস চ্যেরমেন জ্যে ৱাই লীবু চহী অনী মখাই জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে।



হৌখিবা ওক্টোবরদা লীগী অপোকপা লৈখিদ্রবা মতুংদা গ্রুপ অসিগী ওনরসিপ রিষ্ট্রকচরিং তৌবগী থবক থিন্থহনবা য়াই। সাউথ কোরিয়াগী মতিক ময়াই লৈরবা কোঙ্গলোমেরেটশিং নত্রগা চ্যেবোলগী মপুশিংনা তৌবা অরানবা থবকশিং য়েংলিবা লৈবাক অসিগী মিৎয়েংদা অহোংবা চাওনা লাক্লে হায়বসি রুলিং অদুনা উৎলি। কোরিয়াগী লাল মতুংদা সাউথ কোরিয়ানা শেন্মীৎলোন ফগৎলকখিবসি কোঙ্গলোমেরেটশিং অদুগী অপাম্বনি হায়না লৌনৈ।

লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈবা বিজনেসমেননি হায়না লৌনবা মশাগী চহী ৫২ শুরবা লী হান্নগী প্রসিদেন্ট পার্ক গিয়ুন-হেগী এসোসিএট অমদা শেল পীদুনা ৱানোল্লম্বগীদমক্তা চহী অমা জেলদা লৈখ্রবনি। আপিলস কোর্ট অমনা কুমজা ২০১৮ দা মহাক্কী চৈরাক সস্পেন্দ তৌখ্রবা মতুং মথংগী চহীদা সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর অমনা মহাকপু অমুক হন্না ৱায়েল চথহনখি। মহাক্লা জেলদা লৈবগী মতম অসি মহাক্কী খ্বাইদগী নৌবা চৈরাক অদুগী মতুং ইন্না লেপ্পনি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা সিওল হায় কোর্টনা চৈরাক লাউথোক্লিবদু নুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা সুপ্রিম কোর্টতা আপীল তৌবা য়াগনি। তৌইগুম্বসুং সুপ্রিম কোর্টনা মমাংদা রুলিং অমা পীখিবা লৈবনা লিগেল ইন্টরপ্রিটেসনদা অহোংবা লাকপা য়াবগী খুদোংচাবা নেম্মী হায়না লিগেলএক্সপর্টশিংনা হায়খি।

সিওল হায় কোর্টনা লিবু শেল পীদুনা ৱানোম্বা নারোলদা শেল হায়হৎপা অমসুং লোনা য়াদবা মওংদা তানবা ৱোন বিল্লিয়ন ৮৬ (দোল্লর মিল্লিয়ন ৭.৮) লোমগী শেনফম লোৎশিনবগী মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখি। সেমসংনা হৌখিবা চহীগী অঙনবা শরুক্তা লিংখৎখিবা ইন্দিপেন্দেট কমপ্লায়ন্স কম্মিটি মপুং ফানা ইফেক্টিভ ওইদ্রি হায়নসু কোর্টনা ফোঙদোকখি।

লীনা সেমসুংবু থবক তৌবদা লৌথুপ লৌকোয় লৈরোইদবা কম্পনি অমা ওইহনগনি হায়না থাজবা পীদুনা কমপ্লায়ন্স কম্মিটিদা কোওপরেসন পীগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ উৎলক্লে হায়না প্রিসাইদিং জজ জিওং জুন য়িওংনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা দিসেম্বরদা লীনা কোর্টতা মহাক্কী অরোয়বা ষ্টেটমেন্ট পীরদুনা অনৌবা সেমসং অমা শেম্বা পাম্মী হায়খিবনি। কেস অসি হান্নগী প্রসিদেন্টনা পৱার লান্না শীজিন্নদুনা কোরপোরেট ফ্রীদম অমসুং প্রোপর্টি রাইটস খোঙ্গাওনবগী থৌওংশিং চেন্নৈ। কোর্টকী ৱারেপ অসি নুংনাংনিঙাই ওই হায়না লীগী উকিল লী ইন-জেনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।